**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06.04.2024)**

**ওপরেসন (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, ৩৩ শুবা অসাম রাইফলস অমসুং ৩২ শুবা সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি মাইবম লোৎপা চিং মমাং লৈকাইগী কবুই খুল মনাক্তা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চথবদা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফারে।

ফারবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-হেন্দ গ্রেনেদ ৯, স্মোগ বোম ৩, ৱাকি টোকি মরি, কন্ত্রিমেট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন অনিগা কোন্নবা করবাইন অমা, কন্ত্রিমেট নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, ফিফতি ৱান এম.এমগী পেরা বোম ৫, টোইন্তি ৱান এম.এমগী মোটার অমা, তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরুশিং, বুল্লেট প্রুব জেকেট, দিটোনেটর অমসুং জঙ্গল বুট য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং য়াওরি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মখা তানা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎনবগীদমক নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়খ্রে।

**য়ু (এল)ঃ** লোক সভা মীখলগী মাংওইননা ই.সি.আইগী পাউতাক মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী মফম কয়াদ য়ু ফাগৎপগী থবক লেপ্পুনা চথরি। ঙসিসু থৌবাল জিলাগী এক্সাইস ওফিসকী ইনফোর্সমেন্ট টিমনা ৱাংজিং বজার অমদি থৌবাল মেলা গ্রাউন্দগী অকোইবদা লৈবা হোটেলশিংদা দ্রাইব চথখ্রে।

মদুদা, লুপা লিশিং ৩৮ রোমগী য়ুঙাং অমসুং য়ুঙৌশিং ফাগৎপা ঙমখি। খোঙজং অসিগী মতাংদা ফোংদোল্লকদুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এক্সাইসকী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল নোদেল ওফিসার-পি.রঞ্জিৎনা হায়-ময়াই কাবা চিঙাকা পামদবা থৌদোক ৱাথোকশিং থোকহল্লকপা য়াবা কয়াদগী ঙাকথোকবা এক্সাইস

দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মীয়ামনা মতেং পাংবীয়ু।

**এসটি (এল)ঃ** ৱার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী কৈশামথোং কৈথেলদা মীতৈ-মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইববকী লিষ্টতা চলহন্নবা দাবী তকশিনদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে। মফম অদুদা কৈথেল ফল্লিবীশিং য়াওনা মীয়ামনা-মীতৈবু এস.টিগী ষ্টেটস পীগদবনি, এস.টি. খক্তনা মীতৈ কনবা ঙমগনি হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি।

লাক্লিবা লোক সভা মীখল মমাংদা মীতৈবু এস.টিগী লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক মরী লৈনবা চে-চাংশিং থাননবা অমসুং ইং ২০২৬ কী দিলিমিটেসন মমাংদা মীতৈশিংবু এস.টিগী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বা দাবীশিংসু খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা তকশিনখি।

**দিবস (এল)ঃ** বি.জে.পিগী ৪৪ শুবা স্থাপানা দিবসকী থৌরম ঙসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী মচিনচৎপা মীশক অমসুং আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী দল অসিগী প্রভারি-এম. অশ্বিনি কুমারনা হায়-বি.জে.পিনা তমেংলোং য়াওনা রাজ্য অসিগী নাগরিক খুদিংমক্তা মখোয়গী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহনদুনা  মখোয়গী থাক ৱাংখৎহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা দল অসিগী মরুওইবা আইদোলোজি ওইরিবা অন্তোদয়া হায়বদি, খুন্নাইদা খ্বাইদগী শোত্থনা হিংলিবা মীওইশিংবু চিংখৎতুনা থোং মান্ননা হিংমিন্ননবা হোৎনরি।

তমেংলোং বি.জে.পিগী করিয়াকরতাশিংনা মখা তানা কন্না হোৎনদুনা লমদম অদুবু চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌনবসু শ্রী অশ্বিনি কুমারনা আপিল তৌখি।

**বিজেপি (এল)ঃ** কংগ্রেসনা ঙরাং পুথোকখিবা মেনিফেষ্টো অদু মীয়ামদা চম্মনবা পোকহনবা মেনিফেষ্টো অমনি হায়না বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা মরাল শিরি।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি.জে.পিগী থম্বাল শঙলেনদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা দল অসিগী মচিন চৎপা মীশক-এলাংবম জোন্সননা হায়-মেনিফেষ্টো অসিদা কংগ্রেসনা শক্তি পায়রক্লবদি রাজ্যগী বি.জে.পিগী সরকার অসি উথায়গনি হায়রিবা অসি সংবিধানগী ৱাংমদনি।

মহাকা হায়-বি.জে.পিনা তোঙানবা লৈঙাক সাসনগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লৈরি হায়বসি গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হান্ননা ফোংদোকখ্রবা ৱাফমনি। কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা রাজ্য অসিদা এন.আর.সি. চৎনহনবা পামদে হায়বসি মখোয়গী মেনিফেষ্টো অদুদা মসিগা মরী লৈনবা ৱাফম অমত্তা পন্দবা অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি। কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা এন.আর.সি. অমসুং সি.এ.এগী মায়োক্তা লৈ হায়বসি মীপুম খুদিংমকা খঙনরবা ৱাফমনি হায়নসু শ্রী জোন্সননা মখা তানা ফোংদোকখি।

**ময়োল (এল)ঃ** মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না লেপ্তুনা চথরক্লিবা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম-ঐখোয়গী অনৌবা লাংওনগী ভোট হায়বা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ক্বাকৈথেল বজারদা ষ্ট্রিট কোনর মিটিং অমা পাঙথোকখি। শিংজমৈ বজারদসু মসিগা মান্নবা ষ্ট্রিট কোনর মিটিং অমা পাঙথোকখি।

নিংথৌখোংদা লৈবা ইবুধৌ ওকরেলগী খুভমদসু নিংথৌখোং প্রোটেক্সন কমিতি অমদি নিংথৌখোং ৱিমেন্স ৱিংগী মতেংগা লোয়ননা লমদম অদুগী মীয়ামনা শরুক য়াদুনা মীফম অমসু পাঙথোকখি হায়রি। হায়রিবা থৌরমশিং অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মীখলদা শেল লৌবা অমদি চাক-চা হৈজানবনচিংবা তোক্ত্নুনা অফবা মীয়ামগী খনবা মীরেপ্পু মীহুৎ ওইনা খন্ননবা মীয়াম হুপা ৱাখল তামীন্নসি হায়না ফোংদোকখি।

**থৌরম (এল)ঃ** ইং ১৮৯১ দা থোকখিবা এঙ্গলো মনিপুরি লানগী শরুক অমা ওইনা চহি অদুমক্কী এপ্রিল তরুক ঙসিগী নুমিৎ অসিদা থৌবাল অথোকপমদা শোকখিবা লানফমগী নীংশিং থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মনিপুর ৱার ১৮৯১ মারটিয়ারস এন্দ ফ্রিদম ফাইটর-কংলৈপাক মনিপুর অমসুং নিংথেমচা নীংশিং লুপ অনিনা পুন্না শিনদুনা থৌবাল অথোকপমদা লৈবা দি.এল. সি.ৱাই.সিগী কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অথৌবশিংগী ফোটোদা মীয়ামা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা, অরোং তুরেলদসু চৎতুনা অথৌবশিংগী মফমদা লৈ কৎখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জষ্টিস কমিতিগী চেয়ারমেন-ঐচ. ইবোতোম্বী খুমননা হায়-থৌবাল অথোকপমগী লানফম অদুদা বৃটিশশিংগা মায়োকনা শোক খিবা লানফমদা সন্যাখিয়া য়াইস্কুলাকপা অমসুং মচা ইবুংঙো শেঙ্গোইসানা মরমদমগী নীংতম্বা ঙাকবগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখি। অসিগুম্বা মমা লৈবাক মরমদমবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজখিবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎফম থোকই হায়না খনবদগী থৌবাল অথোকপমগা লানফমগী নীংশিং থৌরম হৌখিবা চহি খরদগী মীয়াম হুপা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা হৌরকপনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা খাঙবোক কেন্দ্রগী হান্নগী এম.এল.এ. ওক্রম লম্বোনি, নিংথেমচা নীংশিং লুপকী এদভাইজর-আর.কে. জয়চন্দ্র অমসুং শক ইরবা ইতিহাসকী ওজা-প্রোফেসার-এন. জয়কুমার য়াওনা অখঙ অহে কয়ানা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখি।

**কাং(এল)ঃ** ইংবগী চাং খরা খরা হন্থরকপগা লোয়ননা নুংথিলগী মতমদা শাবগী চাং তপা তপা হেনগৎলক্লি। মসিনা মরম ওইদ্না কাং লৈবগী চাং হেনগৎলক্তুনা মেলারিয়া অমদি দেঙ্গিনচিংবা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা রাজ্যগী মেলারিয়া দিপার্টমেন্টনা অকনবা থবক পায়খৎপা হৌরে।

কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবা নেসনেল ভেক্তর বোন দিজিস প্রোগ্রাম অমদি নেসনেল হেলথ সোসাইতি মনিপুরগী মায়কৈদগী চেকশিন থৌরাং কয়াসু লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি। নেসনেল ভেক্তর বোন দিজিস প্রোগ্রামগী ওফিসিএলশিংনা লৈকাই লৈকাইগী ক্লব অমদি মৈরা পায়বী লুপশিংগা খুৎশমদুনা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিংগী মতাংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। মসিগী মতাংদা ষ্টেট অবার্ন মেলারিয়া য়ুনিট-লম্ফেলগী মেল হেলথ ৱাকর-কোইজম ওবিৎনা অসুমা ফোংদোক্লি।

**প্রেয়ার (এল)ঃ** তাংখুল বেপটিস গোসপেল ক্বাসকুই-সেন্টিনেল এন্দ ক্যুনকুইনেল ফেলোসিপকী কলচরেল ডেগী থৌরম ঙসি উখ্রুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লোক সভাগী এম.পি. ডা: লোরহো এস. ফোরজে অমসুং ত্রান্সপোর্ট অমসুং ভেটিরিনারি মন্ত্রি-খাশিম বাশুম য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা-মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসি মহৌশাগী ফিভমদা হনজিল্লক্তুনা নুংশি চান্নদা লৈমিন্নবা লাইশোল থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**উৎসব (এল)ঃ** নোনেগী জোনেল এদুকেসন ওফিসনা শিনদুনা ঙসি প্রিরানা উৎসবকী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

প্রিরানা উৎসবকী মরুওইবা পান্দমদি, মহৈরোইশিংদা মখোয়গী নাৎ-চৎনবী, শক্তম নীংথিনা খঙহনবগা লোয়ননা জাতি অমা শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌননবা ৱাখল্লোনশিং কোকহন্নবনি। জিলা জিলাশিংদগী মহৈরোই অনি অনি খনগৎতুনা গুজরাটকী ভাদনাগরদা পাঙথোক্কদবা চয়োল অমগী রেসিদেন্সিয়েল প্রোগ্রামদা শরুক য়াগনি। মদুদা, মহৈরোইশিং অদুনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং উৎতুনা চাংদমগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা নোনে জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা স্কুলশিংগী হেদ মিষ্ট্রেস অমসুং প্রিন্সিপালশিং শরুক য়াখি।

**ইন্টরেক্সন(এল)ঃ** তমেংলোংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: এল. অংশিম দানশারানা ঙসি মহাক্কী ওফিসতা মহৈরোইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা শ্রী দানশারানা মহৈরোইশিংদা অচৌবা পান্দম থমদুনা শিংনবা কয়া থেংনদুনা মায় পাকপা পুন্সি ওইরকবা মহৈ মশিং তম্বদা নীংথিনা পুকিং চংনবা পাউতাক পীখি। থৌরম অদুদা মহৈরোইশিংগী মায়কৈদগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারদা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীখি।

জেট.ই.ও.গী ষ্টাফশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**দ্রাইব(এল)ঃ** নোনে জিলাগী খুমজি অমসুং লোংমাইগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী থোংগা তায়নবা মফমশিংগী অকোইবদা ঙসি লম-তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

রোংমৈ বেপতিস চর্চেস কাউন্সিল, লোংমাই জোনগী লমজিং মখাদা তোঙান তোঙানবা চর্চ ২৭ তগী লাকপা নহারোলশিংনা লম তুম শেংদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

**রেভিস(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তেলৌদা হুই অমসুং হৌদোংদা এন্টি রেভিস ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিসকী লমজিং মখাদা ইর্ষ্টন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লব-তেলৌনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থোরম অদুদা পুন্না হুই অমসুং হৌদোং ১২০ রোম হিদাক কাপথোকখি হায়রি।

**থাগৎপা (এল)ঃ** ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ দিসএবল ওর্গনাইজেসননা পামেলগী ফাউন্দর অমদি প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ডা: থাংজম ডল্লিবু ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

পামেলনা মমাং চহিদা তোঙান তোঙানবা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবশিংগী লুপ অহুমদা মতেং পাংখিবা অদুবু ইকায় খুমবা ওইনা শ্রী ডল্লিদা এপ্রিসিয়েসন সার্টিফিকেট পীদুনা ইকায় খুমখি।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী তোঙান তোঙানব মফমশিংদা ঙসি ফ্রেন্দলি বোল্লিবোল মেটচশিং শান্নখ্রে।

থৌরমশিং অদু মনুং হুনজিন্না লৈরিবা নহারোলশিংদা শান্ন খোৎনবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** বিষ্ণুপুরগী মিণি ষ্টেদিয়মদা চংথরিবা ৮ শুবা ইবোতোন মেমোরিএল থার্দ দিভিজন অন্দর ফিফতিন বোইস ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিব মেটচ অমদা য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবনা সোসিএল ৱেলফিয়ার ক্লব-বিষ্ণুপুরপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

মফম অসিমক্তদা শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা রাইজিং ক্লব অমসুং ক্রাউ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদস্ তাইদা অমসুং য়ুথলস সোসিএল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

**পিএম ঃ** বি.জে.পি.লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হন্দক্কী মীখল অসি সরকার শেমবা ইচম চম্বা মীখল অমা নত্তে, ভারতপু মপৎ ফানা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা মীখলনি।

উত্তর প্রদেসকী সহারানপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-হৌখিবা চহি মঙা অসিদা ভারত অসি শেল থুমগী

লমদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী শক্তি লৈবা মঙাশুবা লৈবাক ওইবা ঙমলে।

মহাকা হায়-বি.জে.পিগী সরকারনা কনাগুম্বা অমত্তবু হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংবা তৌদনা মীপুম খুদিংমক থোং মান্ননা চাউখৎহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরক্লি। লৈবাক অসিদা ধর্ম্মদা মীচং মীখায় নায়দবা অমসুং খুন্নাইগী ওইনা অচুম্বা ফংহন্নবগীদমক বি.জে.পিনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা হোৎনদুনা লাক্লি।

**রাজ্য সভা ঃ** বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট-জে.পি. নন্দানা অমসুং নৌনা সদস্য ওইরবা অতোপ্পা মীওই মঙা ঙসি  রাজ্য সভাগী সদস্য ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা উপ রাস্ত্রপতি অমসুং রাজ্য সভাগী চেয়ারমেন-জগদিপ ধনকরনা মখোয়বু  ৱাশক লৌখি। অতৈ সদস্যশিং অদুদি-বি.জে.পিগী অশোক রাও শঙ্কর রাও চাৱন অমসুং চুনিললাল গারাসিয়া, এ.আই.টি.সিগী সুসমিতা দেব অমসুং মোহমদ নাদিমুল হক অমসুং কংগ্রেসকী অনিলকুমার যাদব মন্দারিনিনি।

**কিল্ড ঃ** আইননা থিংখ্রবা সি.পি.আই. মাওইষ্টকী নক্সলাইট অহুম ছাতিসগরদা সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোকবদা লৈখিদ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-বিজাপুর জিলাগী তেলঙ্গানাগগী ঙমখৈগা থংনবা অশুকপা উমং অমদা ঙসি অয়ুক খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা নক্সলাইটশিং অদু হাৎখিবনি।

অককবা পাউ অমা ফংবদগী মফম অদুদা পুলিসনা কোম্বিং ওপরেসন চত্থবদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক থোকফমদগী এ.কে. ফোরটিসভেন রাইফল অমা, এল.এম.জি. অমা অমসুং টুয়েল্ব বোরগী নোংমৈ অমা ফংলে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা সন্তোস কৌবা দি.ভি.সি.এমগী কম্মান্দর অমা য়াওই হায়রি।